HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




থাইলেন্দগী সুরিন্দ্র রাজভাট য়ুনিভর্সিটি অমসুং বেঙ্কোককী ফরানাখোন রাজভাট য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরগী কলচর উৎলুগদবা টিম্বু আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নরনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজদগী লমথাবা


হকথেংনবা পাউদম
☛ লামায় ৩

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
লামায় ৪

ষ্টেট সিক্যুরিটি ফোর্সতা অহেনবা পৱার পীদুনা অৱাৎ-অপা ...
☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯


ককৱা লিলান্দো লম্পাক্কী কম্যুনিতি হোলদা পিপলস সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজে সননা শীন্দুনা পাঙথোরকখিবা নুমিৎ হুমনিগী নোর্থ ইষ্ট ত্রাইবেল ফোক দান্স ফেষ্টিবেল লোইশিনবা থৌরমগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 47, Issue No. 303 | নোংমাইজিং, ৱাকচীং ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, February 04, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


## মণিপুরগী লান আই আর বিগী ত্রেনিং তৌরিবা অসাম য়ৌরক্লব্রা

# ত্রেনিং সেন্টরদা থাঙনা য়ানবদা আই আর বি ত্রেনি ৩ কোক ১সুং খূৎতা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে

### ঙসি এম পি টি সীগী এদিসনেল দিরেক্টর এম প্রদিপ চৎতুনা য়েংশিল্লুগদৌরি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস) :** পাঙ্গৈগী এম পি টি সীদা ত্রেনিং তৌফম থোকপা মণিপুরগী ১০ অমসুং ১১শুবা আই আর বিগী অনৌবা রিক্রুটশিং য়াওনা এম আর/আই আর বিগী অপূনবা রাইফলমেন ২০১২গী ত্রেনিং অসামগী তোঙান তোঙানবা ত্রেনিং সেন্টর অহুমদা চত্থরকখিবদা ত্রেনি মশেলগী মরক্তা থাঙ-তেন পায়দুনা খূৎ থোক্লরকপনা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসামগী ত্রেনিং সেন্টর য়ৌশিনখ্রবরা



শোক্লবা পর্সনেল অমা

হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মণিপুরদগী পুখিবা অনৌবা রিক্রুটশিংগী ত্রেনিং তৌফম অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা অসামগী দেরগাওনদা লৈবা লচিৎ বোরফুকন পুলিস একাদেমিদা ত্রেনিশিংদা ঙসি নুমিদাংগী চাক য়েন্থোক-য়েনশিন তৌবদা ত্রেনি মশেলগী মরক্তা নিংঙাই-শংদানরকপদগী থাঙ-তেন পায়দুনা ফূন-চৈনরকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিদা মীতৈ মচা ত্রেনি অহুম শোকপগী মনুংদা অনীনা কোক্তা শোকখি অদুগা অমনা মখূৎতা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নখি হায়রি।

শোক্লবশিংগী মনুংদা *...মখা লমায় ৩ কলম ১*

# মণিপুরগী লান থা ৯ চপ চানা শুবা নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টরনা অমিট শাহ উনখ্রে

### মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না মরু ওইবা ৱারেপ খরা ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌরক্লগনি : বিরেন

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস) :** বি জে পিনা লুচিংলিবা মণিপুর লৈঙাক্কী পার্টি অসিগী মিনিষ্টর ২ য়াওনা পূন্না কুকি-জৌ এম এল এ ১০না সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবদগী মে ৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা চত্থরক্লিবা কুকি লমহেনবশিংগী তমথীরবা লান ঙসি থা ৯ চপ চানা মপূং ফারকপা নুমিৎতা ষ্টেট অসিগী হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দেল্লীদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনখ্রে।

উনখিবা অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা



মহাক্কী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম 'এক্স' তা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ঙসি মহাক্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা ন্যু দেল্লীদা উনবগী খুদোংচাবা ফংলে হায়রদুনা ঐখোয়গী মরক্তা মণিপুরগা *...মখা লমায় ৩ কলম ২*

## রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা অহল ১ লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস):** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চত্থরক্লিবা তমথীরবা লাননা মরম ওইরদুনা কাংভাইদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা মশাগী চহী ৯৫শুরবা সাপম জামিনি কৌবা মীওই অমা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা ঙরাং নুমিদাং লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবগী হকচাং রিলিফ কেম্প অসিগী থৌদাং লৌরক্লিবা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকী থৌমীশিং অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমসুং কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙসি অয়ূক লৈকায়গী ক্রিমেটোরিয়মদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকী প্রসিদেন্ট প্রতাপ লৈশাংথেম্না পাউমীশিংদা হায়, লৈখিদ্রবা অহল অসি অগরটালাদগী ওইরবসু মহাক্কী কাংভাইদা লৈবা মচানুপীগী য়ুমদা লৈরকখিবনি। লান অসিনা মরম ওইদুনা হিংননবা মচানুপীগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নরকখিবনি। মহাক হান্নদগী হৌনা কিদনিগী অনাবা লৈবদগী দাইলাইসিস তৌদুনা লাকখিবনি হায়রি।

ক্লবকী প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, থা ৯ মপূং ফাদুনা ১০ চঙশিল্লক্লবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা থাংমৈবন্দ খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই লিশীং কয়া চঙজফম লৌরক্লি। অতোপ্পা রিলিফ কেম্পতসু চঙজফম লৌরকখিবা মীওইশিং লৈখিদবা য়াওখ্রে। মীওই অমা লৈতবা মতমদা পোৎলোইবা, মঙানি লৈহুন অমদি লান্ন-থৌরম্ন চিংবা তঙাইফদনা *...মখা লমায় ৩ কলম ৪*

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Chief Ministerna ngarang Home Minister Amit Shah unakhiba aduna Manipurgi Lan loisinnaba waroisin ama soidana puraklagani thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Lok Sabha Election khutna lamba fanglaklabanina Delhigi angambasingna karino-karino amadi soidana tourakani haibada langadra?

Yes 25% No 75%

## ঙমখৈ লান্না খূৎশু-খূৎলায় ১সুং বোমশিং য়োন্থোক য়োনশিন তৌবা মিজোরাম মচা ১ এন আই এনা ফারে

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :**





ম্যান্মারগা তাইনরিবা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিং লান্দুনা নোংমৈ য়াওনা খূৎশু-খূৎলায় অমদি বোম্ব চিংবা য়োন্থোক য়োনশিন তৌবা খূৎপু অমগী মথক্তা এন আই এনা চত্থরকখিবা অকনবা ওপরেসন অমদা খূৎপু অসিগী মরু ওইবা মীওইনি হায়বা মিজোরামগী মমিৎ এরিয়াদগী লালঙাইহোমা কৌবা মীওই অমা ফারে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না থোরকপা চেরোল অমদা মখোয়গী ওপরেসন অসি অকক্লবা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংদা চত্থদুনা অয়াম্বা চাংদা নোংমৈ অমসুং *...মখা লমায় ৩ কলম ৭*

## মায়োলগী খোঙচৎলোইশিং তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস) :**



মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২০দা শেংলবা কংলা লাইফমলেনদগী লমথাদুনা মমাঙ থাগী ৯ ফাওবদা চৎখিবা মণিপুর য়ুথ লিগ (মায়োল) গী 'ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী পাউজেল পুবা লমশাং খোঙচৎ' তা শরুক য়াখিবা খোঙচৎলোইশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা কোকোমিগী কোওর্দিনেটর সোমোরেন্দ্রো থোকচোম, মায়োলগী কনভিনর অসেম প্রিন্স অমদি নেসনল রিজেনরেসন ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চেয়রমেন এম চেতননা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা মীথুং অমসুং ময়ায় তাংবল লৌখি। *...মখা লমায় ৩ কলম ৬*

## পুলিসনা য়ুথ ওফ মণিপুরগী থৌমী ফাজিনবদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএনএস) :** য়ুথ ওফ মণিপুরগী মেম্বর লাইশ্রম বিদ্যানন্দবু কংলৈ মপারি হায়বা ফেসবুক পেজদা থাগৎলকপা মহাক্কী খোঞ্জেল মানবা ওদিও ক্লিপ অমগীদমক ঙরাং পুলিসনা ফাজিনবিখ্রে হায়না ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ুথ ওফ মণিপুরগী থৌমী লাইশ্রম মনিচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, লাইশ্রম বিদ্যানন্দ মমাঙ থাগী ৩১গী নুমিদাংদা ওদিও ক্লিপ অসিগা মরী লৈননা অহানবা ওইনা ফাখিবনি। ওদিও ক্লিপ অদু লোগী ৱাংমদা ফোঙদোকপা ৱাফমশিং য়াওবা ক্লিপনি। অদুবু বিদ্যানন্দগী লেপটোপ ফাক্কৎতুনা থি-হুন্বগী থবক চত্থরকপদা মহাক নৎত্রে হায়দুনা থা অসিগী ১দা থাদোরকখ্রবনি। অদুবু ঙরাং অয়ূক *...মখা লমায় ৩ কলম ৩*








ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫